HUEIYEN LANPAO

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঙসি গুদ ফ্রাইদে নুমীৎনি




ঙসি 'গুদ ফ্রাইদে'নি। খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎচবা, 'জিসস খৃষ্ট'বু থাজজবা মীওইশিংগী মফমদদি নুমীৎ অসি অফবা কোৱৌ অমনি। অদুনবু কৌরল্লিবনি অফবা ইরাই, গুদ ফ্রাইদে। নুমীৎ অসিবু করিগী অফবা নুমীৎ অমনি শীংথানরল্লিবনো? অফ-নুংঙাইগী নুমীৎ নত্তে, অৱা-অনং নংখিবা নুমীৎ অমা নীংশিংবনি, করিগী 'ব্লেক ফ্রাইদে' নৎত্রগা 'বেদ ফ্রাইদে' হায়না কৌরমদ্রিবনো? হায়বই মতাংসিদসু মমাঙদা কয়ারক য়েৎনখ্রবা জাৎনি। মরমদুনা ওইরম'নি জর্মন'দদি নুমীৎ'সিবু 'অৱাবনা থল্লবা (সোরোফুল) ফ্রাইদে' হায়না নীংশিংনৈ হায়দুনা ৱারী-লাইরিকশিংদা ইরল্লিবা। লাইনীং লন্বী অমগা মরী লৈনবা নুমীৎ অমা ওইরগসু, বিয়োন্দ রিলিজিয়স লাইন্স, 'ইন্টরনেসনল হোলিদে' ওইবা নুমীৎ অমা ওইবনা নুমীৎসিগা মরী লৈনবা ৱারী অদু হাইফেৎ নীংশিংলুবা ফবরা খন্না পাউদম অসি ইজরুবনি। পাউদমজরিবা ঐহাক্তি খৃষ্টিয়ন অমা নৎচদে।

ময়াম্নসু খঙবীরে-ঙসিদগী চহী ২০১৯গী মমাঙদা জিসস খৃষ্ট কৌবা, অফবা মীগী কান্নবতা তৌবা মীশক অমা, মশাগী ওইজ-ওইথক খন্দনা অতোপ্পগী য়াইফনবগীদমক্তা খনজবা মীশক অমা, মকোক্তা তিংখংগী কোকয়েৎ অমা য়েৎপীরগা, মখূৎ য়েৎ-ওই অমদি মখোঙদা য়োৎপী থাজিন্দুনা পাং তিংলগা হাৎখি। লাইরিক খরদদি ইরম্মী- খৃষ্টগী তুং (এন্নো দোমিনি)গী নুমীৎ অমা হায়না মশীং পাবা হৌদ্রিঙৈ, চহী মরিগী মমাঙদা শিখিবনি' জিসস'তি। মহাক্না, মাগী মরূপ-মপাঙশিংগা লোয়ননা 'অরোইবা চাক্লেন' চামিন্নখিবা নুমীৎ অদু নীংশিংলগা গুদ ফ্রাইদে পাঙথোকপনি হায়নবসু য়াওই কনাগুম্বনা। মহাক্না তাইবংপান থাদোকখিবা নুমীৎ অদু নীংশিংবনি হায়বসু য়াওই। অনীমক অচুম্বা ঙাক্তনি। মকোক্তা তিংখংগী কোকয়েৎ য়েত্তুনা, ঈহিং-নাইহিং তানা ফূ-চৈদুনা খূৎগোইননা পুরক্লগা লৈপাক-মাঙদা পাং তিংদুনা হাৎতোকখ্রবা মতুং নুমীৎ হুম্নি লৈরগা অমুক হিংগৎলকখি- অরানবা তৌবা (পাপি)শিংবু অমদি অশিববু মায়থীবা পীরমখি-মাগী পাউজেল থাজজবা, লাই ওইনা নীংজরিবা, তুংইনবশিংদুগী থাজবনি। অদুগুম্বা নুমীৎ অদুবুনা 'ইষ্টর সন্দে' হায়দুনা নীংশিংনৈ। হংচীৎ, এপ্রিল ২১ নোংমাইজিং নুমীৎ'সিনা 'প্রভু জিসু' হিংগৎলকখিবা নুমীৎ হায়না পালন তৌগনি।

তাইবংসিদা থৱায় পানবা অমা ওইনা পোক্লগা, তাইবং শিন্থা পাঙলম্লগা পূন্সি চেংজেল লোইদুনা অমঙ য়াইথোঙ কূমখ্রবা অদুবু ঙসিগী লোন'দা শিবা কৌই। শিখ্রবা মীশক অমনা অমুক নৌনা হিংগৎলকখিবই ৱারী-মফম কৈদসু তাখিদ্রি। তুংলমচৎতসু তারক্লোই। জিসস খৃষ্ট'গী ৱারীসিসু অমহানি। মহাক্না অমুক হিংগৎলক্লগা কদায়দা করি তৌরম্মী? কনা কনা থেংনখি? কদায়দা অমুক খুন্দাখি? হিংগৎলকখিবা পূন্সিদু অমুক হন্না শিবা নাইদ লৈখ্রবরা? অহাঙবদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিন্দুনা ঐখোয়না হোল্লিবা নিংশা শোর অসিদা য়াওদুনা লু-তোংদা পক্তুনা লৈরিবরা? নৎত্রগা, অহাঙবা অতিয়া মকোয়সিদা পাক্না শন্না শন্দোক্লিবা তাইবংসিদা লৈদুনা ঐখোয়গী কুমহৈ য়েংলিবরা? মওং অমা নৎত্রগা অমদা, ফিলোজোফিকল ওইবা ৱাহায়দা, এক্সপ্লেনেসন অমদি চঙবরা? হঙ্গৎচনিংলুবনি থম্মোয়সিনা।

তাঙনা ফংলিবা মীওই পূন্সি মপোকসিদা শিরুরগা হিঙ্গৎলকখ্রবা শিনাইদনা লৈখ্রবা জিসুগা অমুক উন্নগনি থাজহনবা-ঐদি খল্লি, মদু অচুম্বা ওইরোই।

লাইরিক অমদা পাখি- হান্নদগী ওৎ-নৈদুনা, চৎপফাওবা ঙমদ্রবা জিসস ক্রোসতা য়োৎপী য়ৈদুনা পাং তিংদুনা থমখ্রবা পুংজা খরই মতুংদদি মহাক ঈ কা হেন্না থোকপদুনা মরম ওইদুনা নিংশা শোর হোনবা লেপখরে, হকচাংদা হুল্লিবা মিহুল লেপখ্রবগা পাংখক ওইরে। মহাক শিরে লাউথোক্লে, ক্রোসতুদগী লৌথরে। হান্নদগী শেম শারবা, লেপ হেন্না ৱাংলবা নুঙজাও মরিনা ফক্লাং ওইবা কোমদুদা পুরক্তুনা মোংফম মশক লৌদুনা থম্লগা, চাউরবা নুঙপাক অমনা মখূম ওইনা খুমজিল্লে। থাংজ নুমীৎকী নুমিদাংদা মনাই-মশন ময়াম্না লোৎন-থূপ্না লাক্তুনা নুঙপাক অদু হাংদোক্লগা মবুংঙোগী হকচাংদু পুরদুনা চৎখরে, থাপ্না চীংনুং অমদা। নোংমাইজিংগী অয়ুক্তা নিংথৌ মনাই থাদুনা মফমদুদা য়েংহল্লুবদা ফিঙৌ শেৎপী নুপী মরি মফমদু থাদোক্তুনা চৎখিবা মনাইশিংনা উরকখি। অশিবা হকচাংদুসু লৈরমখিদে। পাউনিনখোল ওইনা শন্দোক্লকখি-জিসু অমুক হিঙ্গৎলকখ্রে, লাইরেম্বী মরি লাক্তুনা লাইরৈবাক্তা পুখরে, মাগী হকচাং লৈরমদ্রে।

চীংনুংগী উমং অদুদা, ঈ চৎমনখিবনা নিংশা হোনবা লেপ্লুরবা, মিহুন পীক্লা হুল্লম্বা প্রভু জিসু, মনাইশিংনা কন্না লায়কন্নরম্মী। তপ্না-তপ্না কনখৎলকখি। মনা-মশীং করম্বদা হীদাক্কী ময়াই য়াওবগে হায়বই বিজ্ঞান'দা নীংথিনা খঙ-হৈরবা জিসু'নি, অশোকপদু তাইশিনহনবদা থাবুম অহুম চঙখি হায়। প্রভু জিসু শিরমদ্রে-নিংথৌদুনা খঙলক্লবা হেন্না খূদোং থীর'নি কিবনা, মনাইশিংনা শীন্দুনা জেরুসেল্লমগী ৱাংমদা থাদোকখি।

করি লমদম পাংগনি?

পল্লেপফম খঙদ্রবা জিসস খৃষ্ট-ইন্দিয়া মায়কৈ তম্লকখি, ইনখৎলকপা মতমগী শাংলবা চহী তরাহুমদোই মহৈ তম্ফম ওইখিবা, পূন্সি' য়ূম্ফম থোনখিবা কাউঙমদ্রবা লমদুদা। কলিকত'তা থুংলগা সমুদ্র তোর্ব্বান পরিংদুদা লাক্লগা করাচিদা থুংলখি। সিন্ধু তুরেল পরিংদা কাশ্মীর তম্না লাক্লগা, লদাখ কৌবা লমদুদা কুমজা কয়া লেন্দুনা মীওইবই থৌগল তৌরম্মী। অহল মতম ওইরক্তুনা কনাদসু পাউ চেল্লমদনা পূন্সি বিদায় পীরমখি। লাইগুম্লবা মীশক্তু মীয়াম মাঙদা হাৎখিবা তমথীরবা ইরাইদু 'গোদ ফ্রাইদে' কৌনরম্বদই, লোন অদু থৈদোক্তুনা, অফবা ৱাখল খন্দুনা অফবা থবক তৌবা নুমীৎ 'গুদ ফ্রাইদে' কৌনদুনা পালন তৌরি ঙসিসু।

লৌশিং পুক্কে

# কেন্সর নাবদগী ফমুংদা ওন্ন-থোইনা খাঙলিবা অনাবশিং ফাওবা মখল অমগী ম্যুজিক তাবা মতমদা চাউনা কান্নবা ফংই



হীদাক-লাংথক থাদুনা অনা-লায়েংবগী মথক্তা ম্যুজিক মেদিসিন অমসুং ম্যুজিক থেরাপি হায়দুনা অনৌবা লায়েং পথাপ অমা মালমগী মফম কয়াদা পাক-শন্না শীজিন্নবা হৌরক্লে। কেন্সর লায়না নাবদগী ফমুংদা ওন্ন-থোইনা খাঙলিবা অনাবশিং ফাওবা ঈশৈ নৎত্রগা মখলগী অমগী ম্যুজিক তাবা মতমদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংই।

'কোক্রেন লাইব্রেরী' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ঈশৈ তাবা মতমদা মীওইবগী পূক্নিং-ৱাখল অমদি হকচাং নুংঙাইহনবা ঙম্মী। নীংথিনা খঙ-হৈরবা ম্যুজিক থেরাপিষ্ট নৎত্রগা ডোক্তর অমদি নর্সনা তাহনবা মাঙজৌননা রেকোর্দ তৌরবা ম্যুজিকনা মখল কয়াগী লায়নাশিং লায়েংবদা মতেং পাংই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফিলাদেলফিয়াদা লৈবা দ্রেক্সেল য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার জোন ব্রেদনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা কেন্সর লায়নানা নারবা মীওই ৩,৭৩১ দা চথখিবা ট্রাইয়েল ৫ গী রিপোর্ট নৈনবদা ম্যুজিক থেরাপি অমসুং ম্যুজিক মেদিসিননা অনাবশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবা ঙম্মী হায়বা খঙলে। ম্যুজিক থেরাপিগী ট্রাইয়েল ২৩ অমসুং ম্যুজিক মেদিসিনগী ট্রাইয়েল ২৯ চথবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। খ্বাইদগী পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মখল খুদিংমক্কী ম্যুজিক নৎত্রগা ঈশৈ তাবা মতমদা অনাবা মীওইশিংগী পূক্নিং-ৱাখলদা কান্নবা ফংই হায়বসিনি। মরুওইনা অনাবগী চৈনাখোল হন্থহনবগা লোয়ননা হকচাং চোকথবা ফহল্লি, হার্ট রেট হন্থহল্লি, রেস্পিরেটরি রেট হন্থহল্লি অমসুং ব্লদ প্রেসরসু হন্থহল্লি। ঈশৈ তাবনা এনেসথেটিক্স অমদি এনালজেসিক শীজিন্নবগী মথৌ তাহন্দবগা লোয়ননা অতেনবা মতমগী মনুংদা অনাবা ফহন্দুনা হোস্পিটালদা কুইনা লৈবগী মথৌ তাহন্দে। হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙনবগীদমক মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি।

মখল অমগী ম্যুজিক নৎত্রগা মখোল তাহন্দুনা অনাবগী লায়ওং হন্থহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা সেল্ফ কনফিদেন্স অমদি সেল্ফ ইষ্টিম ৱাংখৎহন্দুনা হকচাং নুংঙাইহন্নবা হোৎনবা থৌওংবু ম্যুজিক থেরপি হায়না খঙনৈ। ফীভম শোক্লবা অনাবশিং, মরুওইনা কেন্সর পেসেন্টশিংদা লায়েং মখল অসি শীজিন্নদুনা পূক্নিং-ৱাখলদা নুংঙাইহন্নবা হোৎনৈ।

পামজবা ঈশৈ নৎত্রগা ম্যুজিক তাবা মতমদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু পূক্নিং-ৱাখল পোথাহল্লি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি।

কুমজা ২০১৩ দা কেমোথেরাপিগী লায়েং চথরিবা কেন্সর পেসেন্ট ৪০ দা ষ্টদি অমা চথখি। ম্যুজিক থেরাপিগী চাংয়েং মতমদা অনাবশিং অদু ৱাখল নুংঙাইতবা, ওনিংবা অমসুং ওবগী চাং হন্থরকপা থেংনখি। কুমজা ২০০৩ দসু ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রবা কেন্সর পেসেন্ট ৬৯ দা ম্যুজিক থেরাপিগী চাংয়েং তৌরম্মী। মদুদা অনাবা মীওইশিংগী ৱাখল নুংঙাইহনবগা লোয়ননা হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা কয়ামরুম কোকহনবা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি।

কুমজা ২০০৬ তসু রেদিওথেরাপিগী লায়েং চথরিবা কেন্সর পেসেন্ট ৬৩ দা ম্যুজিক থেরাপিগী চাংয়েং তৌবা মতমদা অনাবশিংগী ৱাখল নুংঙাইহনবা ঙল্লম্মী। ম্যুজিক য়াম্না তারিবমখৈ কান্নবগী চাংসু হেল্লম্মী। কুমজা ২০১১ দা মীওই ১৭৫ না শরুক য়াদুনা চথখিবা ষ্টদি ৩০ গী রিপোর্টশিং কুপ্না নৈনদুনা য়েংবদা ম্যুজিক থেরাপিনা কেন্সর পেসেন্টশিংগী পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইহনবগা লোয়ননা চৈনাখোল, হার্ট রেট অমসুং ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লি হায়বা খঙলকখি।

কুমজা ২০১০ দসু অরোইবা মতম ঙাইদুনা লৈরবা মীওইশিংদা ম্যুজিক থেরাপিগী ষ্টদি অমা চথখি। মীওই ১৭৫ না শরুক য়াদুনা চথখিবা ষ্টদি ৫ গী রিপোর্ট মতুংইন্না অরোইবা মতম ঙাইদুনা লৈরবা মীওইশিং ঈশৈ তাহনবা মতমদা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইহনবগা লোয়ননা হকচাংদা ফাওরম্বা নুংঙাইতবশিং খরমখৈ কোকহনবা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি। শেল চঙদনা অরায়বা মওংদা ম্যুজিক তাহনবনা কেন্সর পেসেন্টশিংগী হকচাংদা ফাওরম্বা চৈনাখোল হন্থহনবা ঙম্মী হায়বা কুমজা ২০০৬ তা মীওই ৩,৬৬৩ না শরুক য়াদুনা চথখিবা ষ্টদি ৫১ দগী খঙবা ঙমখি।

ভিয়েটনামদা ল্যুকেমিয়ানা নাবদগী লম্বর পঙ্কচর তৌরবা অঙাং ৪০ দা চথখিবা চাংয়েং অমদা ম্যুজিক থেরাপিনা চৈনাখোল অমসুং এঞ্জাইটিগী চাং হন্থহনবা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি। মশাগী চহী ৭ তগীনা চহী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অদু লম্বর পঙ্কচর তৌরিঙৈদা অঙাং খরা ম্যুজিক তাহল্লম্মী অদুগা খরা অমনা তাহল্লমদে। মদুদা ম্যুজিক তাবা অঙাংশিং অদুগী হার্ট রেট হন্থরকপগা লোয়ননা চৈনাখোল ফাওবগী চাংসু হন্থরকপা থেংনখি।

কুমজা ২০১১ দসু ওষ্ট্রেলিয়াগী অঙাং ২৬ তা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না কেন্সরগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম ম্যুজিক থেরাপিনা কোকহনবা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি। ঈশৈনা অঙাংশিংগী ৱাখলদা ফাওরম্বা অকিবা, লাংতক্লবা অমদি নুংঙাইতবা পুম্নমক কোকহনবগা লোয়ননা চৈনাখোল ফাওবগী চাংসু হন্থহল্লি। ম্যুজিক্না হকচাংদা করম্বা মওংদা অহোংবা থোকহনবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু অচুম্বা মওংদা শীজিন্নরবদি ম্যুজিক থেরাপিনা মীপুম খুদিংমক্তা কান্নবা ফংহল্লি হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

ম্যুজিক থেরাপিগী থোইদোকপা সাইদ ইফেক্ট লৈতে অমসুং হকচাং শোক্নিংঙাই ওইদে। অদুবু অহৌবা ম্যুজিক্না কনাগুম্বা মীওই খরদা নুংঙাইতবা অমদি খোয়রাং খোয়শাওনবা পোকহনবা য়াই। মরম অদুনা হীরম অসিদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা ম্যুজিক থেরাপিষ্ট অমগা নীংথিনা তান্নবা মথৌ তাই।

মমি ৱারী

# সেন্সরশিপ ?

## অথোইবা সৌবাম







